# লৈবাক অসিগী বোক্সিংগী নেসনল ফেদরেসন শেমদ্রবদি রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়ন বোক্সরশিং শরুক য়াবা ফংলদবা য়ারি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ঃ লাক্লিবা মার্চ থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইয়র্স ফাওবদা ইন্দিয়ানা বোক্সিংগী নেসনল ফেদরেসন অমা শেম্বা ঙমদ্রবদি লৈবাক অসিগী বোক্সরশিং রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলদবা য়ারি।

হন্দক্তা মাঞ্চেষ্টরদা পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) গী তোঙান তোঙানবা কম্মিসনশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াগী ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনদুনা ৱারেপশিং লৌখিবনি। লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক ইন্দিয়াগী বোক্সর অমত্তা হৌজিক ফাওবা ক্বালিফাই ওইদ্রিবনি।

লাক্লিবা মার্চ ২৩ দগী চিনাগী কুইনান সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ক্বালিফাইয়র্স ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী নেসনল বোক্সিং ফেদরেসনগী লৈরিবা চয়েৎনবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রবদি মালেমগী বোক্সিং মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা এ আই বি এনা ইন্দিয়ন বোক্সরশিংবু রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াহন্দনবা থবক লৌখৎকনি হায়বা ৱাফম পাউচেশিংদা রিপোর্ট তৌনখিবনি।

এজেন্সী গী পাউ অমনা হায়, হৌজিক ইন্দিয়াদা বোক্সিংগী নেসনল ফেদরেসন অমা থম্নবগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরি। লৈরিবা চয়েৎনবা অসি এসিয়ন ক্বালিফাইয়র্স ফাওবগী নুংদা লোইশিন্দুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা এ আই বি এনা ইন্দিয়াদা খঙহনখি। করিগুম্বা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা চপ চাবা পাউখুম অমা পীবা ঙমদ্রবদি ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলদবা য়ারি। করিগুম্বা ইন্দিয়ন বোক্সরশিংনা ক্বালিফাই ওইরবসু শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা পীরদবা য়াই হায়না পাউ অদুনা মখা তারি।

লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক বোক্সর অমত্তা ইন্দিয়াগী ওইনা ক্বালিফাই ওইদ্রিবনা মার্চ ২৩ দগী চিনাগী কুইনানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ক্বালিফাইয়র্স অসিদা অকনবা মীৎয়েং থল্লিবনি। ইন্দিয়ানা এসিয়ন ক্বালিফাইয়র্সতা শরুক য়ানবগী অয়াবদি হান্নন এ আই বি এনা পীখ্রবসু ইন্দিয়াগী নেসনল ফেদরেসন অমা অথুবদা লৈহনবা পাল্লি। মসিদা ইন্দিয়ানা ইনবা তৌদ্রবদি বোদি অসিগী মায়োক্তা শিংনবা ওইনা থোক্কদৌরি হায়না এজেন্সীগী পাউ অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ষ্টেট য়ুনিটশিংনা বোক্সিং ইন্দিয়া (বি আই) গী প্রসিদেন্ট সন্দিপ জাজোদিয়া অমদি সেক্রেটরি জেনরেল জে কোলিগী মথক্তা য়ানিংদবগী ঈহৌ লাকপদগী ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) বু ইন্টনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) না শকখঙদনবা ৱারেপ লৌখিবনি। লোয়ননা মমাঙ চহীগী মে থাদগী হৌনা লৈবাক অসিদা বোক্সিং মশান্নবু এ আই বি এনা শেম্বা এদহোক কম্মিটি অমগা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি।

ষ্টেট য়ুনিটশিংগী মরক্তা পামদবা থৌদোক থোক্তনবসু সাই অমদি এ আই বি এনা শেমখিবা এদহোক কম্মিটি অদুনা কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমসু শেমখিবনি। হায়রিবা কম্মিটি অনী অসিনা হন্দক্তা ইন্দিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা ষ্টেট য়ুনিটশিংগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা মশান্না অসিগী নেসনল ফেদরেসন শেম্নবগী মতাংদা মীফম অমসু পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা মণিপুর, বেঙ্গল, ওরিষা, হরিয়ান, পুদুচেরি, টামিল নাদু, উত্তরখন্দ, আসাম অমসুং মেঘলায়ানা শরুক য়াখি।

কোওর্দিনেসন বোর্দকী মীফম অদুদা এ আই বি এগী ইন্দিয়াদা লৈরিবা এদহোক কম্মিটিগী মেম্বরশিং, এ আই বি এ ইগজেক্যুটিব কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন কিষন নার্সি অমদি এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর জে কোলিসু শরুক য়াদুনা ষ্টেট য়ুনিটশিংদা শেম শারবা অনৌবা কনষ্টিট্যুসন অদুগী মতাংদা মখোয় মখোয়গী ৱারোল পীখৎলক্লবসু খঙহনখিবনি।

# মুম্বাই-স্পোর্টিংনা গোল ২-২ দা, শিল্লোং-শিভাজিয়ন্সনা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে



মুম্বাই/শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ২৮ঃ

সেকেন্দ হাফতা টিমগী মেম্বর ১০ খক্তনা শান্নখিবা মুম্বাই এফ সিনা ঙরাং আই লীগ ফুটবোল মেচতা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱাগা ২-২ দা দ্রো চৎখিদুনা মখোয়গী হোম মেচতা মায়থীবা য়াওদনা লাকখিবা অদু মখা শমথখিদুনা পুৱারী শেম্বসু ঙমখ্রে।

মুম্বাই এফ সিগী কেপ্তেন এন পি প্রদীপপু অহানবা হাফতা রেফ্রিনা অনীরক বুক তৌখিবদগী মেচতগী মপান থোকখিদুনা মখোয়গী টিম মেম্বর ১০ খক্তমক ঙাইহৌখি অমদি মেচ অদুদা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর মায়োক্নখ্রবসু দ্রো চৎখিদুনা হোম মেচতা মায়থীবা অমুক্তা য়াওদনা চঙশিনবা ঙমখি।

ভিজিটর স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা মখোয়গী অহানবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা মহমৌদ অল অমনানা চনখি। গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা মুম্বাইগী কয়ুকি কোজাৱানা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা মুম্বাইনা মখোয়গী টিম মেম্বর ১০ খক্তনা শান্নরকখিদুনা মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা সবষ্টিট্যুটতা চঙলকখিবা জায়েল রানেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মিনিট তরুক লৈরগা গোৱাগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ভিক্তোরিয়া ফর্ণান্দেজনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-২ দা দ্রো চৎখি। মেচ দ্রো চৎখিবা অসিনা স্পোর্টিংনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা লীগকী টেবলগী মরিশুবদা লৈখ্রে অদুগা মুম্বাইনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা লৈখি।

অমরেমাদা, হোম অমসুং অৱে মেচতা চত্থরিবা আই-লীগ ২০১৬ কী ইরাই নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা শিল্লোং লাজোং অমদি দি এস কে শিভাজিয়ন্স অনীনা গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা দি এস কে শিভাজিয়ন্সকী কেমেরুন ষ্ট্রাইকর এসর পৈরিক দিপান্দানা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। শিভাজিয়ন্সনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা শিল্লোং লাজোংনা কাউন্টর এটেক তৌদুনা চঙশিনখিবা শাফুদা শিল্লোংগী বোইথাং হাওকিপনা মেচকী মিনিট ৭৪ চৎপা মতমদা গোল অমা ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। টিম অনীমক্না মখা তানা শান্নখিবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা গোল অমমমদা দ্রো চৎখি।

মেচ অসি দ্রো চৎখিবদগী শিল্লোং লাজোংনা অপূনবা পোইন্ট ১১ ফংদুনা লীগ অসিগী টেবলগী মঙাশুবদা লৈখ্রে অদুগা দি এস কে শিভাজিয়ন্সনা অপূনবা পোইন্ট তরুকখক্তমক ফংদুনা টেবলগী নিপানশুবা মফমদা লৈখ্রে।

শিল্লোং লাজোং অমদি দি এস কে শিভাজিয়ন্স অনীগী মেচ অদু হেক হৌরকপদগী য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা মেচকী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা শিল্লোংগী বোইথাং হাওকিপনা মহাক্কী টিমমেট য়ুইল্লিয়মস সৌজাদা পীথোরকখিবা বোল অমা নীংথিনা ওক্লগা শিভাজিয়ন্সকী গোল পোষ্ট তম্না কাউশিনখিবদা শিভাজিয়ন্সকী কষ্টোদিয়ন প্রোসেঞ্জিট ঘোসনা ফজনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বদা তাখি। অমুকসু হন্না শিল্লোংগী মিদফিল্ডর রুপর্ট নোংগ্রুমনা শিভাজিয়ন্সকী গোল পোষ্ট ময়া নক্না কাউশিনখিবা বোল অমা মপা চুম্না চৎখিদবদগী গোল ওইরম্বা য়াবদু কান্নখিদে।

দি এস কে শিভাজিয়ন্সসু গোল চননবা হায়দুনা শিল্লোংগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা তকশিনখ্রবসু শিল্লোংনা কন্না থিংখিবনা পাক হেক গোল চনবা ঙমখিদে। টিম অনীমক্না ফাষ্ট হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা টিম অনীমক্না মখোয়গী লৈজবা থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা শান্নরকখি। শিভাজিয়ন্সনা য়ুম্ফু মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা জোন কুইরেটোনা খায়দোরকখিবা বোলদা এসর পৈরিক দিপান্দানা ওক্লগা নিংথিনা শিল্লোংগী নেট মনুংদা কাউশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি। শিভাজিয়ন্সনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা শিল্লোংনা শিভাজিয়ন্সকী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা শিল্লোংগী ফেভরদা ফংখিবা ফ্রী কিক অমদা বোইথাং হাওকিপনা মেচকী মিনিট ৭৪ চৎপা মতমদা গোল চন্দুনা ১-১ দা দ্রো চৎখি।

পনবা য়াই, হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২১ দা পুনেগী বালেৱাদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা দি এস কে শিভাজিয়ন্স অমদি শিল্লোং লাজোংগী মেচ অদুদা টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপা পেদ্দলরশিংনা ৱর্ল্ড টেবল টেনিস টিম চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাক্না চঙশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ঃ

ইন্দিয়াগী নুপা পেদ্দলরশিংনা ৱর্ল্ড টেবল টেনিস টিম চেম্পিয়নশিপ্তা নিংথিনা শান্নখিদুনা মখোয়গী কেম্পেন হৌখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজনগী অহানবা রাউন্দদা ভিয়েটনামবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।




গ্রুপ এফকী ক্লবতা ইন্দিয়ানা ঙসি অয়ূক ভিয়েটনামগা শান্নদুনা মখোয়গী লম্বাবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়াগী ওপনিং এটেক্তা শারাথ কমলনা অনহ টু ভুয়েনবু ১১-৮, ১১-৬, ৫-১১, ১১-৬ তা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়ন অসিনা নীংথিনা শান্নবা হৌরকখি অমদি ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রবা মতুং মহাক্না গেম অমা দ্রোপ তৌখিবদগী অনহানা ফজনা শান্নরক্তুনা চেল্লেঞ্জ তৌরকখি। অদুম ওইনমক এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এস ইন্দিয়ননা ভিয়েটনামবু নমহৎতুনা মথংগী গেম অদু মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী এন্থোনি অমলরাজনা চাইন দাট লীবু য়াম্না লাইনা ১২-১০, ১১-৫, ১১-৬ তা মায়থীবা পীখি। হরমীট দেসাইনা বা টৌন অনহ দোনবু য়াম্না টফ ওইনা শান্নখিবা মেচতা ১১-৫, ১৩-১১, ২-১০ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা দোননা অকনবা প্রেসর পীরকখ্রবসু ইন্দিয়ন অসিনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখি।

ইন্দিয়াগী মেন স্কাদকী মেম্বর সৌময়াজিট ঘোস অমদি জি সাথিয়ননা মখোয়গী মেচ লৈতবনা শোত্থদুনা লৈখি। ইন্দিয়ননা হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা টর্কিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়ানা নাইজেরিয়া, স্বিটজরলেন্দ অমদি স্লোভাক রিপব্লিক্কা শান্নগনি।

চত্থরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেকেন্দ দিভিজনদা টিম ২৪ না শরুক য়াবগা লোয়ননা গ্রুপ মরি খায়দোক্তুনা গ্রুপ অমমমদা টিম তরুক তরুক্না তামিন্নরি। টিম খুদিংমক্না রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা টিমশিংনা অমগা অমগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। লোয়ননা টোপ টিম অদুনা অনীশুবা ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা গ্রুপ জিদা তারি। গ্রুপ অসিদা পুল্লিবা টিমশিংনা ইন্দিয়া, ক্রোসিয়া, নাইজেরিয়া, কলম্বীয়া, পুটো রিকো অমদি পোর্টুগলনা তামিন্নরি। ইন্দিয়াগী নুপী টিমদা য়াওরিবা পেদ্দলরশিংনা মনিকা বট্রা, মৌমা দাস, কে শামিনি, পুজা সহাসরাবুদ অমদি মধুরিকা পাটকরনি।

ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা সেকেন্দ দিভিজনগী ষ্টেজ ৱানগী অহানবা রাউন্দদা কলম্বীয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# হৌখিবা চহীদা টেনিস মশান্ননা মেচ ফিক্সিংগী থৌদোক খ্বাইদগী থোকপা ওইখি

লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৮ঃ

মালেমগী মশান্নশিংগী মনুংদা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা শেল থানবা অমদি শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক কয়া থোকখিবগী রিপোর্টশিং কুমজা ২০১৫ দা তৌনরকখিবগী মনুংদা শরুক মরি থোকপগী অহুমদি টেনিস মশান্ননা ওইখি হায়না য়ুরোপিয়ন স্পোর্ট সিক্যুরিটি এসোসিএসন (ঈ এস এস এ) না ফোঙদোরক্লি।



হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা ফোঙনখিবা রিপোর্টমতুংইন্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শেল থানবা অমদি শেঞ্জা থুমজাগী থৌদোক ৱাথোক কুপ্না য়েংশিন্দুনা টেনিস মশান্নদা মেচ ফিক্সিং তৌহন্দনবা লিংখৎখিবা ওর্গনাইজেসন অসিনা থিজিনখিবদা চিংননিংঙাই ওইবা থৌদোক ১০০ গী মনুংদা ৭৩ দি টেনিস মশান্নগা মরী লৈনখি হায়না ফোঙদোকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা মশান্না অসিদা মেচ ফিক্সিং তৌবগী চাউরবা ৱাথোক থোক্লকখিবগা লোয়ননা মালেমগী মীয়াম্না মিৎয়েং চিংশিন্নরকখি হায়না ঈ এস এস এগী চ্যেরমেন মাইক ও'কেননা থাদোরকখিবা চেরোলদা ফোঙদোক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ঐখোয়গী ক্যু-৪ ইন্টিগ্রিটি রিপোর্টকী মতুংইন্না শেঞ্জা থুমজাগী থৌদোক অসি টেনিস মশান্ননা খ্বাইদগী মশিং হেন্না য়ামখি। অদুবু মশান্না অসিগী অয়াম্বা টুর্নামেন্টশিং য়াম্না শেংনা অমদি মপুং ফানা পাঙথোকখি।


মালেমগী টেনিস শান্নরোয় ১৬ রোম্না মখোয়না মমাঙদা শান্নখিবা মেচশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মায়থীবা নংখিবগী মতাংদা কুপ্না থিজিন্দে হায়বা পাউশিং মেদিয়া অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া চেন্নেলশিংদা ফোঙদোক্লরকপদগী মমাঙ থাদা টেনিসকী গভর্ণিং বোদিনা মনিং তম্বা রিভিয়ু পেনেল অমা শেমদুনা নৌহৌননা থিজিন্ননবা শিন্নখি।

পনবা য়াই, টেনিস মশান্নদা মেচ ফিক্সিং চত্থবগী ৱাথোক অসি বি বি সি অমদি ওনলাইন বুজফিদনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মাঙওইননা পুথোক্লকখিবনি।

কুমজা ২০১৫ গী অরোইবা ক্বার্টরদা মালেমগী ওইনা মশান্নশিংদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শেল থানখিবগী রিপোর্ট ৩৫ লাকখিবগী মনুংদা ২৪ দি টেনিসনা ওইখি। অদুগা ফুটবোলদা নিপান ওইখি হায়না ঈ এস এস এগী চেরোল অদুদা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা শেল থানখি হায়না চিংনখিবা রিপোর্টশিংগী মনুংদা চাদা ৬৮ না য়ুরোপিয়নগী মেচশিংদা ওইখি, টেনিসকী ওইনা এসিয়াদা ১৯, য়ুরোপতা ১৮ অমদি নোর্থ অমেরিকাদা ১৪ থোকখি হায়না মখা তানা ঈ এস এস এনা ফোঙদোক্লি।

# বসন্ত বহাদুরনা নেসনেল চেম্পিয়নশিপকী কিলোমিটর ৫০ গী রেস ৱক্কতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




জয়পুর, ফেব্রুৱারী ২৮ঃ

লন্দন ওলেম্পিয়ন বসন্ত বহাদুর সিংহ রানানা মফম অসিদা চত্থরিবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি নীনি চনবা অমদি অরোইবা নুমিৎতা নুপাগী কিলোমিটর ৫০ গী রেস ৱক্ক ইভেন্টতা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

দেল্লিগী ৱক্কর রানানা পুং ৪ গা মিনিট ৭ সেকেন্দ ২৪ চৎতুনা ফার্ষ্ট তাখি অদুমকপু মহাক্না ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী রিভাইস তৌখিবা টাইমিং ৪ঃ০৬ঃ০০ সেকেন্দ অদুদি য়ৌবা ঙমখিদে। ঙরাং চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী কিলোমিটর ২০ গী রেস ৱক্কতা মীওই ৭ না রিও গেমসকী ক্বালিফাইয়িংদগী হেন্না ফগৎনা চৎপা ঙমদুনা ওলেম্পিক্সকীদমক মিৎয়েং থম্বা হৌখিবদা নত্তনা চনৈনবা ফীভম অমসু লৈখ্রবনি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা রানানা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা টাইমিং ৩ঃ৫৬ঃ৪৮ সেকেন্দদা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্তা চৎখি। মহাক্কী টাইমিং অসি নেসনেল রেকোর্দসু ওইখিবনি।

নুপাগী কিলোমিটর ২০ গী রেস ৱক্ক ইভেন্টতা রিও ওলেম্পিক্কী টাইমিংদগী ফগৎনা চৎপা ঙমখ্রবা উত্তরখণ্ডগী চন্দন সিংহনা কিলোমিটর ৫০ গী রেস ৱক্ক অসিদা ৪ঃ০৯ঃ৫০ চৎতুনা সেকেন্দ অমসুং রাজস্থানগী জিটেন্দর সিংহ রাথোরনা ৪ঃ১২ঃ১০ সেকেন্দ চৎতুনা অহুমশুবা পোজিশন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ২০ গী ৱক্ক রেসতা মীওই ৭ রিও গেমসকী মার্ক য়ৌবা ঙমখ্রবসু ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ৫০ গী নুপাগী ৱক্ক রেসতদি কনাগুম্বা অমত্তনা রিও গেমসকী টাইমিং য়ৌবা ঙমখিদে।

নুপীগী জুনিয়রগী কিলোমিটর ১০ গী ৱক্ক রেস কম্পিটিশন্দা কেরলাগী নীনা কেটিনা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্না ৫৩ঃ১২ঃ৪৯ সেকেন্দ চৎতুনা ফার্ষ্ট তাখিবনি। রাজস্থানগী ভাৱানা জাটনা ৫৩ঃ২৭ঃ৭৯ চৎতুনা শিলভর মেদল অদুগা উত্তর প্রদেশকী প্রিয়াঙ্কা পটেলনা ৫৩ঃ৩২ঃ৯৫ চৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপাগী জুনিয়রগী কিলোমিটর ১০ গী রেস ৱক্ক কম্পিটিশন্দা বিহারগী বিকাস সিংহনা ৪৪ঃ৩২ঃ৫০ সেকেন্দ চৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি। দেল্লিগী নবিন্না ৪ঃ৩৭ঃ৭৬ সেকেন্দ চৎতুনা শিলভর মেদল অমসুং ইকনাথ তুরমবেকরনা ৪৪ঃ৫৫ঃ৬৭ চৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# ৱারিঙ্কানা নুপাগী, কারলানা নুপীগী কটার ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৮ঃ ষ্টান ৱারিঙ্কানা মফম অসিদা চত্থরিবা দুবাই এ টি পিগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মার্কোস বাঘদাটিসপু টাইব্রেতা ৬-৪, ৭-৬ (১৫/১৩) দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

অমরোমদা ওপন অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা স্পেনগী কারলা সুরেজ নভারোনা লাটভিয়াগী টিনেজর জেলেনা ওষ্টাপোস্কোবু থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ১-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন ষ্টান ৱারিঙ্কানা কটার ওপনগী টাইটল লৌখিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী ১৩ রকশুবা টাইটল ওইখিবদা নত্তনা সিজন অসিগী অনীশুবা টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইখি। মহাক্না সিজন অসিগী অহানবা টাইটল চেন্নাইদা লৌখি।

পুং অনী চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱারিঙ্কানা টাইব্রেক্তা ৪-১ দা মাঙজিল থানা লৈখ্রবসু মহাক্কী ওপোনেন্টনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী মেচ অদু খোঙজেল খরা তপথরকখি। অদুবু মহাক্না সেট পোইন্ট মঙা সেভ তৌবা ঙমদুনা মায় পাকখি। বাঘদাটিসনা টাইব্রেক অদুদা নিংথিনা খূৎ হনবা ঙমখিদবদগী মায়থীহৌখি।

ষ্টান ৱারিঙ্কানা মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, টাইব্রেক্তা ঐখোয় অনীমক্না ৬-৬ তা মান্ননা লৈখিবা মতম ফাওবদা ঐঙোন্দা চমম্নবশিং থোকখি। ঐনা অরুবা তাঞ্জা অদুদা অশোয়বশিং তৌদনবা চেকশিন্না শান্নখি। ইবাইনিনা ৬-৬, ৭-৭, ১০-১০ দা লৈনখিবা মতম অদুদা লৈতাদবশিং থোকখি। অদুবু অরোইবদা লাইবক ফবা হায়বদু ওইদুনা মায় পাকপা ঙমখি।

মালেমগী নম্বর মরিশুবদা লৈরিবা ৱারিঙ্কানা কুমজা ২০১৩ দা নেদরলেন্দসতা পাঙথোকখিবা গ্রাস কোর্ট ইভেন্টতা অরোইবা ওইনা মায়থীখি।

অমরোমদা কটার ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী কারলা সুরেজ নভারোনা সেট অমা মায়থীখ্রবসু লাটভিয়াগী টিনেজর জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোবু ১-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা মহাক্কী অনীরকশুবা দব্লিয়ু টি এ সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ওইখিবগা লোয়ননা মহাক্না মফম মঙা কাখৎলগা মালেমগী তরুকশুবা মফমদা লৈবা ঙমখিদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী ৱাংবা রেঙ্কিংদা লৈবসু ওইখি। দব্লিয়ু টি এগী খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং অদু হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোক্কনি।

পুং অমগা মিনিট ৫১ চঙনা অকনবা লম্বা তৌদুনা মায় পাকখিবা মেচ অদুনা মমাঙ চহীগী ৱিমব্লেদনগী অহানবা রাউন্দদা ওষ্টাপেঙ্কোনা মায়থীবা পীরমখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনসু থোকখি। মশাগী চহী ২৭ শুরবী অসিনা মহাক্কী মায় পাকখিবা অদু মেজিকেলনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম জর্মনিগী মখূৎতা মায়থীহৌরে




ষ্টেল্লেনবোচ, ফেব্রুৱারী ২৮ঃ

ইন্দিয়ন ৱিমেন'স হোকি টিম্না জর্মনিগী মখূৎতা ০-৩ দা মায়থীহৌদুনা মখোয়গী সাউথ অফ্রিকা টুরদা অহানবা ওইনা মায়থীবা হায়বদু ওইখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা শরুক্তা টিম অনীমক্না অমনা অমগী লৌ খঙনবা মান্ননা নীংথিনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না অমনা অমগী মায়কৈদা গোলগী এটেম্পশিং তৌনদুনা মায় পাক্কবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়া অমদি জর্মনি অনীনা অমনা অমগী মায়কৈদা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা মেচ অদু মিদফিল্ডদা অকনবা মওংদা তকখৎনরকখি।

ইন্দিয়ানা মেচ অদুগী অনীশুবা শরুক্তা জর্মনিগী মায়কৈদা অকনবা শাফুশিং পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর ফংখি অদুবু পেনালটি কোর্নর অদু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে।

জর্মনিনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা অনীশুবা ক্বার্টর লোইগদবা অরোইবা মিনিটতা লেদিয়া হাসেনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

জর্মনিনা অহুমশুবা ক্বার্টরদা কিয়া-সোফি ওল্ডহাফরনা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা অমুক মাঙজিল থাখি। জর্মনিগী অহুমশুবা গোল অদু মরিশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা জুলিয়া মুল্লরনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা জর্মনিগা অমুক হন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নগনি।